## মিজোরামদা হিরোইন কেজি ৮ হেন্না ফাখ্রে

**আইজোল, নবেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :** মিজোরাম পুলিসকী চীফ পব্লিক রিলেশন ওফিসরসু ওইরিবা আই জি পি (এল-ও) ধিরাজকুমারনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ুক্কী লোম্বা নোংমাই- মতুং পুং ১ রোম তারকপদা মিজোরামগী কেলকাং, বিয়াতে অমসুং কৈতুম ফাওরগা লাংসম চম্ফাইগী লাকখিবা বোলেরো অমগা পিক-অপ ভেন অমগা চেক তৌরবদা লোকল মার্কেটতা লুপা ২,৪১,৭৪,০০০গী মমল ওইগদবা সাপোন কেপ ৬৬৪দা হাপ্লগা পুরকখিবা হিরোইন কিলোগ্রাম ৮.০৫৮ ফারে হায়রি।

দ্রগশিং অসি চম্ফাইদগী লালরোনুনাফনাই (৩৩), লাংমিনথাংগি (৪৩) অমসুং লালমুৱানজ্বালা (২৪) দগী ফাখিবনি হায়রি। মখোয়না শীজিন্নরম্বা মোবাইল ফোন মরিসু পুলিসনা রিকোভর তৌরে হায়রি।

## ইম্ফাল ৱেষ্টকী লোইতাং খুনৌসু জিরিবাম...

*লমায় ১গী মখা...* মমিৎতা মপি তারদুনা ঐহাক্কী মপুরোইবা অসি নুমিৎ খুদিংগী লৈমখোংগী আর্মি কেম্প মনুংদা থবক চৎপনি। হৌজিক ইচানুপা অমগা ঐখোয় অহুমখক্তমক লৈবনি। ঙরাংদগী মহাক্কী লংলা-লংজিন খঙবা ঙম্লদ্রবদগী পুলিস ষ্টেশনদা রিপোর্ট তৌরবসু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মহাকপু ফাজিন্দুনা থম্বা ওইরগসু মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরকউ হায়না তেংথাখি।

থৌদোক অসিগী মায়োক্তা ঙসি লৈমখোংগী ক্লব অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়াওনা ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সীগা উনদুনা ৱারী শানখি অদুবু আর্মিগী মায়কৈদগীসু থিবা য়াবা থিরি অদুবু হৌজিক ফাওবগীদি মহাক্কী লংলা লংজিন খঙবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক লৈমখোংগী আর্মি কেম্প মনুংদা চঙলম্বগী খুৎয়েক পীরম্বদি লৈ অদুবু থোকখিবগীদি পীরমদবনিনা মহাক মফম খঙদবগী তেকচাক আর্মিনা পুবা ঙল্লে হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক অসিবু য়ানীংদনা ফোঙদোক্তুনা লৈমখোং লম্বী পরিংদা খোইশাওনরবা মীয়াম্না নূঙনচিংবা পৈশিন্দুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনখি। আর্মিগী পর্সনেলশিংদসু মৈরা পায়বীশিংনা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

অমরোমদা মহাকপু তেক্তা কায়দনা মীওইবগী মীনুংশি য়েংনা থাদোকপীরকউ হায়না কোকোমি কছারগী কছারগী এস পিদা চৎতুনা মিসিং রিপোর্ট অমসু ফাইল তৌখ্রে হায়রি।

মহাক মিলিটরি টি ইঞ্জিনিয়ারিং সর্ভিস (এম ঈ এস) কীসু সুপরভাইজর ওইবনি হায়রদুনা কছারগী এস পি উনরবা মতুংদা সিলচর বোইজ হোষ্টেলদা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে অদুগা পাউগী মীফম অমসু পাঙথোক্লদুনা কোকোমি কছারগী এদভাইজর ডা. কে এন চান্দনা কমলবাবু ইচম চম্না থবক শূদুনা লৈজবা মীওইনি। মহাকপু তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরকউ হায়দুনা আপীল তৌখি।

## দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তদি ...

*লমায় ১গী মখা...* শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৭৫রক শুবা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশন দেগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুশন অসি কুমজা ১৯৪৯গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা এদোপ্ট তৌখিবনি। নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। চহী ২০০ রোম বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক লৈরকখ্রবা মতুংদা ফিদম্লিংঙাই ওইরবা লুচিংবা কয়ানা থৱায়না পোম্বা পীদুনা ঈহৌ চঙশিনবদগী ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তা লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা নিংথৌ পানবা লৈবাক কয়া পূনশিন্দুনা য়ুনিয়ন অমা ওইনা শেমগৎলকখিবনি। মসিগীদমক কন্সটিট্যুশন অমা এদোপ্ট তৌখিবা অসি য়াম্না মরু ওই খন্দুনা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা থৌরম পাঙথোকপনি।

শক-চুমান্নদবা, লাইনীং লাইশোন খেন্নবা অমদি লোল মান্নদবা ফূরুপ কয়া অমত্তা ওইনা থোং মান্ননা নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননবগীদমক কূপ্পা খন্নরবা মতুংদা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশন দ্রাফ্ট তৌখিবনি। মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুটশননা খ্বাইদগী শাংবা কন্সটিট্যুশন অমসু ওইরি। অদুম ওইনমক ঙসি চহী ৭৫ শুরক্লবা মতম অসিদা কন্সটিট্যুটশন অসি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি য়েংবা চঙলি। ষ্টেট অমদি সেন্টরদা লৈঙাক্লিবা বি জে পিগী দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক্না কন্সটিট্যুটশন অসিবু ঙাক্না চৎলিব্রা হায়বদু য়েংবা মথৌ তারে।

ঙসি মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা খূৎপু অসিনা চথরক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি কন্সটিট্যুটশন ঙাক্লিব্রা নৎত্রগা খোঙ্গাওনরিব্রা হায়বদু নৈনগদবনি। লোকল বোদি নৎত্রগা ষ্টেট এসেমব্লি নৎত্রগনা পার্লিয়ামেন্ট হায়বসি মশাগী পীরিবা মতম অদু লোইরবদি অনৌবা মীখল পাঙথোক্তুনা অনৌবা মীহুৎশিং খনবা হায়বসি কন্সটিট্যুটশননা পীবা প্রোভিজননি। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি লোকল বোদিশিংগী মীখল হৌজিক ফাওবা পাঙথোক্ত্রি। থৌওং অসি কন্সটিট্যুটশনগী ৱাংমনি।

হৌজিক থোক্লিবা লান অসি লোইশিন্দুনা ইহান হান্না তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনগদবনি। মতম-মতমগী লৈঙাক পায়রকপশিংনা য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্তা কন্সটিট্যুটশনগী প্রোভিজনশিং ঙাক্ল। চৎকদবনি। নম্ফুদা দিক্টেটরগী লৈঙাক চথবা য়াই অদুবু দেমোক্রেসি চৎলিবা লৈবাক অসিদদি দিক্টেটরশিপগী লৈঙাক্লোন কুইবা য়ারোই। মীয়ামগী পূন্সি অমদি লন-থুম ঙাকপা ঙমদ্রবদি ফম থাদোকউ হায়না মীয়াম্না পূন্না লাউগদবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদা পার্টি প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, সী দল্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম, আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী কনভিনর কে এস ঐচ শান্ত, এম পি সী সীগী লিগেল দিপার্টমেন্টকী চ্যেরমেন এদভোকেট এস শ্যামচরন (শানৌ) নচিংবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা কন্সটিট্যুশনগী প্রিএম্বলসু পাথোকখি।

## কোকোমি, মীয়াম অমসুং লূপশিংনা খোঙজং চঙশিনবীগনু...

*লমায় ১গী মখা...* য়াওনা শেন্মীৎলোনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অপনবা য়াওদনা মখা চথবা য়াগনি অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সনসু ভলনরেবল এরিয়া খরা ঙাক শেনবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুমিদাং মহাক্কী সেক্রেটরিএটকী দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা জিরিবামদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকখিবগা পন্থদনা সী আর পি এফকী কম্পনি ২ থাজিনখ্রে অমসুং অতোপ্পা কম্পনি ৫সু চৎখ্রে অদুগা মরাল লৈবশিং ফাদ্রিবা ফাওবা কোম্বিং ওপরেশন মখা তানা চথখিগনি হায়খি।

অমরোমদা, ঙরাংদগী লাইবক থীবা থৌদোক অমদা লাইশ্রম কমলবাবু কৌবা মীওই অমা লৈমখোংগী আর্মি কেম্পলোমদা চঙলুবদগী মফম খঙদনা লৈরল্লিবা অদুগী মতাংদসু জিরো এফ আই আর অমা সেকমাই পুলিসনা লৌখৎলে অদুগা ষ্টেট ফোর্স, পেরা মিলিটরি অমদি আর্মি য়াওনা কম্বাইন্দ টিম্না মহাক্কী খোঙ্গুল লীরি হায়খি।

এন আই এনা জিরিবামদা থোকখিবা নুপী অঙাং য়াওনা মীহাৎ-মীপূন তৌখিবগী মতাংদা লৌখৎপা কেস অমুক হন্না রেজিষ্টর তৌখ্রে। মসিগী মতাংদা এন আই এনসু অইবা চেরোল অমা থোরকখ্রে হায়খি।

মরম অসিনা হৌজিক লৈরিবা হকচিনবা ফীভম অসিনা মরম ওইরদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না তোয়না ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা অপদেট তৌবা ঙমদ্রি। লৈঙাক্না লাউথোরকপা ৱাফম ঙাইরগা কনাগুম্বা খরনা অমাঙ অতা থোকহন্নবসু ঙাইদুনা লৈবা য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থা অসিগী ১৮দা পাঙথোকখিবা এন দি এগী লেজিসলেটরশিংগী মীফমনা অফস্পা রিপিল তৌবা য়াওনা জিরিবামদা মীচম হাৎখিবদা চেন্নবশিং লোনা য়াদবা লূপনি লাউথোক্লবা অমসুং কেসশিং এন আই এদা শিন্ননবা তকশিনবা লৈখ্রে হায়খি।

তকশিনখিবশিং অদুগী মনুংদা সেন্টরনা অয়াম্বা থবক্তা ওন্থোরক্লে হায়রদুনা লেমহৌরিবা দিমান্দশিং অসিগীদমক মহাক্কী লৈঙাক্না অমসুং এন দি এগী লেজিসলেটরশিংনা মীয়ামগা খূৎশম্ননবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী পাউগী মীফমদা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এল সুসিলদ্রো, ঐচ দিঙ্গো, টি ঐচ বসন্তকুমার, খাসিম ভাসুম, হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন দিঙ্গাংলোং গাংমৈ, এম এ এলশিংদা টি ঐচ শান্তি, কে ঐচ ইবোমচা, এস প্রেমচন্দ্র অমসুং এস কুঞ্জকেশোর য়াওখি।

## মৈরা পায়বী লূপশিংনা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী মতম কক্তনা টিদ্দিম...

*লমায় ১গী মখা...* মীওইশিং থাদোক্কদবনি হায়রদুনা ক্বাকৈথেল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ, কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপালগী লিখ্নৈইওন্বী মৈরা লূপ অমদি ইরোম পুখ্রি মপাল সোসল ক্লবনা পূন্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না ফাজিনখিবা মীওইশিং থাদোরক্ত্রিবা ফাওবা টিদ্দিম লম্বীদা মতম কক্তনা অথিংবা থমগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৪ রোম তারকপদা কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপালদগী থিংবাইজম সুসিলা (৪৫) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা টি ঐচ রোমিওবু এম এল এগী য়ুমদা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা য়াওই হায়বগী চার্জদা পুলিসনা ময়ুমদগী ফাদুনা পুখিবা থৌওং য়ানীংদে হায়দুনা ঙসি ইরোম পুখ্রি মপালগী কম্যুনিটি হোলদা নুপীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখি। অদুগা পেন্দবা খোঙচৎ অমসু ক্বাকৈথেলদগী হৌরদুনা চৎখিবগা লোয়ননা লম্বী অসি থিংবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

মহাক ক্বাকৈথেল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবীনি হায়রি।

মহাক ফাজিনখিবা অমসুং ঙসি চঙশিনখিবা খোঙজংগী মতাংদা ক্বাকৈথেল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট সৌবাম সোবিতানা পাউচে অসিদা হায়, জিরিদা অঙাং য়াওনা মীচম ৬ হাৎপগী থৌওংবু য়ানীংদদুনা মীয়াম্না হৌরকখিবনি। ক্বাকৈথেল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ অসি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৪ হায়বদি কৈশামথোং, নাওরিয়া পাখঙলাকপা, শগোলবন্দ, পাৎশোইগী মৈরা পায়বীশিং পুল্লগা শেম্বনি। কন্সটিট্যুএন্সি মরি অসিগী এম এল এগা ৱারী শানবা চৎপদা উনবা ফংলক্তবা অমদি উনহল্লক্তবদগী মী য়াম্বনিনা খোইশাওনবা য়াওরক্তুনা অমাঙ অতা খরা থোকহনখ্রে। ঙাইহাক্কী মীয়ামগী অশাওবা ওইবনিনা ঐখোয়নসু থিংবা ঙমহৌদ্রে অদুগা পোৎ চৈ মাঙবগী কেসকা ঐখোয়গসু মরী লৈনদে। মসিগীদমক নহাশিং য়াওনা মৈরা পায়বী ফাওবা ফাগৎলকপা য়ানীংদে। তৌরিবা খুদিংমক লন্নাইগী ইন্টরেষ্টতা নত্তে। মরম অসিনা ফাজিনখিবা মীওইশিং কন্সটিট্যুএন্সি মরি অসিগী ওইনা অথুবা মতমদা কন্দিশন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্ত্রিবা ফাওবা খোঙজং কয়া চঙশিনখিগনি। ঐখোয়না চঙশিনগদৌরিবসি মীয়ামগী ঈহৌনি। ফাগে হায়রবদি মীয়াম লোইনা ফাবীরো। মীওই ৬ হাৎখিবা অদুবু লমন খুন্থনি হায়দুনা ফোঙদোরকখিবা কুকিগী এম এল এ অদুগী মথক্তনা এক্সন অমত্তা লৌদ্রি। মীওই লিশীং ৬০ রোমগী ময়ূম মকৈ মৈ থাদুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবশিং অদুগীদি করিমত্তা তৌবীদ্রগা এম এল এশিংগী য়ুম কৈ খরা অমাঙ অতা থোকহনখি হায়দুনা অতম্মনা থিদুনা ফাগৎলকপা অসি লাইবক থীবনি। মরম অসিনা কন্সটিট্যুএন্সি মরিগী এম এল এশিংনা পুলিসনা ফাজিনখিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা থাদোকহল্লক্কদবনি হায়খি।

## ‘মণিপুরগী লানদা মপানগী খূৎ য়াওরে, মথংদা মিজোরাম য়ৌশিল্লক্তুনা...

*লমায় ১গী মখা...* ফাইনান্সিএল, টেক্নিকেল অমসুং লোজিষ্টিক সপোর্ট পীরে হায়বসিসু এন আই এনা ইনভেষ্টিগেশন চথরকপদা ওফিসল ওইনা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

এজেন্সী অসিগী অতোপ্পা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপনি হায়বা ৱাফম পল্লদুনা মপান লৈবাক্কা মরী লৈনবা থৌওং অসিগী মনুংদা ম্যান্মার য়াওরি। মফম অদুদগী মশীং য়াম্লবা খূৎশু খূৎলায়শিং পুশিল্লক্লি। হায়রিবা মণিপুরদা শীজিন্নরিবা খূৎশু খূৎলায়শিং অসি অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায়শিংনি। মরম অসিনা ‘ফোরেন লিঙ্ক’ লৈনরে হায়বসি এন আই এনা চথরকপা ইনভেষ্টিগেশনদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

এজেন্সী অসিনা খঙবা হৌরকখিবসি মিজোরামদগী সোলোমোনা কৌবা লৈবাক অসিগী লোনা য়াদবা মওংদা মণিপুরদা ৱাথোক থোকহল্লিবশিংদা খূৎশু খূৎলায়শিং সপ্লাই তৌরম্বা অমা ফাবদগী খঙবা হৌরকপনি। মহাক খক্তা নত্তনা খূৎশু খূৎলায়শিং অমসুং পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং পুশিল্লক্লবগী লৌতুনবদা লালঙাইহোমা অমসুং লালমুৱাননোওমাসু চেন্নরমখি। ৱাফমশিং অসি এন আই এনা সোলোমোনাদগী খূৎশু খূৎলায়শিং ফাগৎপদগী খঙবা ঙম্লকপনি হায়রি।

অদুগা কুকি-জো লালহৌবশিংনা ম্যান্মারদগী খূৎশু খূৎলায়শিং ফংলে হায়বসি মীতৈ ফূরুপকী মহুৎ শিনবা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

মিজোরামদগী সোলোমোনানা মণিপুরদা ঈরাং থোকহল্লিবা মিলিটেন্টশিংদা খূৎশু খূৎলায়শিং সপ্লাই তৌবগী থবক তৌরল্লিবা অসিদগী ফংলকপা রিপোর্ট অমদনা মহাক্না মণিপুর খক্তদা ৱাথোক থোকহনবদা নত্তনা লান অসি মণিপুর খক্তদা লোইশিন্নবা থৌরাং তৌরমদে। মণিপুরদা ঈরাং থোকহল্লিবশিংনা ম্যান্মারদা লৈবা অচৌবা টেরর গ্রুপশিংগা মরী লৈনরগা থোকহনবা ওইরবসু লান অসি মণিপুরগী ৱাংমদা শন্দোরকহনবা পাল্লি।

তোঙান তোঙানবা চপ চাবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মণিপুরদা লান থোকহল্লিবা মীওইশিং অসিনা মখোয়গী মথংগী টার্গেট মিজোরামদা থল্লি। অদুগা লৈবাক অসিগী নোর্থ-ইষ্ট পূম্নমক্তা উংখৎনবগী ফীভম হেনগৎহল্লক্লবা থৌরাং তৌরি হায়বসু খঙবা ঙম্লে হায়রি।

ফীভম অসি য়ৌরক্লবনিনা মীওইশিং অসিনা অচৌবা থৌরাং অমগা লোয়ননা চথরকপা অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ৱাথোক অসি খুদক্তা শন্তাইনবা পুরক্তুনা লোইশিল্লগা অতোপ্পদা শন্দোরক্তনবা হোৎনবা চুমগনি হায়নসু ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লে হায়না পাউগী এজেন্সী অসিনা তৌরকপা রিপোর্টতা পল্লি।

এজেন্সী অসিগী রিপোর্টতা মখা তানা হায়, মশীং য়াম্লবা মীওইশিংনা নোর্থ-ইষ্ট অসি মখোয়গী লোনা য়াদবা মওংদা খূৎশু খূৎলায় অমসুং দ্রগ লল্লোন ইতিক তৌবা অমসুং পাক শন্না ঙমখৈ লান্না চঙশিল্লক্লবগী খুদোংচাবা মফম অমা ওইনা লৌরক্লিবনি হায়নসু পল্লি।

অমরোমদা, মণিপুরগী লান মনুংদা থোকপা থৌদোকশিংগী মতাংদা পুলিসনা কেস লৌখৎপদগী হৌজিক্লা এন আই এনা পায়রবা ক্রিমিনেল কেস ৮বু ষ্টেট অসিগী স্পেসল কোর্ট (এন আই এ) দগী অসামগী গুৱাহাটিদা লৈবা এন আই এগী স্পেসল কোর্টতা ট্রান্সফর তৌবদা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে।

কেসশিং অসি গুৱাহাটিদা লৈবা মখোয়গী স্পেসল কোর্টতা ৱায়েল চথনবা ট্রান্সফর তৌবদা অয়াবা পীবীনবগীদমক এন আই এগী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টতা হায়জরকখিবনি।

এন আই এগী প্রেয়র অদু ঙসি জষ্টিস জে বি পাদিৱালা অমসুং জষ্টিস আর মহাদেবন অনীগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমশিং অসিনা কেসশিং অসিগী ফ্রী এন্দ ফ্যের ট্রাইএল চথবা য়াবগী ফীভম ওইদে হায়রদুনা ক্রিমিনেল কেস ৮মক গৌহাটিগী এন আই এ স্পেসল কোর্টতা ট্রান্সফর তৌবদা অয়াবা পীখিবনি।

কেসশিং অসি অমগা-অমগা মরী লৈনদে, তোঙান তোঙানবা কেসশিংনি অমসুং অয়াম্বা কেসশিংদি অন-লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট, ১৯৬৭কী মখাদা রেজিষ্টর তৌবা কেসশিংনি হায়রি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা এন আই এগী এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল আইশ্বার্য্য ভাতি অমসুং কেস ৮গী এক্যুজশিংগী কাউন্সেলশিংনা তৌরকপা সবমিসনশিং তাখি। অদুম ওইনমক কেসশিং অসিগী ৱায়েল চথবদা মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা খুদোংচারোই হায়বদগী এপেক্স কোর্ট অসিনা এন আই এগী প্রেয়র অসিদা অয়াবা পীখিবনি।

অদুম ওইনমক সিনিয়র কাউন্সেল কোলিন গোন্সালভিস অমসুং এদভোকেট সিদার্থা বার্গোহেনগী মায়কৈদগীদি কেসশিং অসি গুৱাহাটিদা ট্রান্সফর তৌবগী মহুত্তা দেল্লী নৎত্রগা মিজোরাম নৎত্রগনা মেঘালয়দা ট্রান্সফর তৌনবা ৱাফম পুখৎলকখি। অদুম ওইনমক কোর্টকী মায়কৈদগী কেসশিং অসি শুপ্লতগী ষ্টেট অমখক্তদা ট্রান্সফর তৌগদবনি হায়বগী দিরেক্সন পীখি।

এন আই এনা ফাইল তৌরকপা পিটিসনগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১৩গী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট অহন্থেম হেনরিনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদগী গুৱাহাটিদা ৱায়েল চথনবা ট্রান্সফর তৌরবদি চৎথোক চৎশিনগী ফ্লাইট টিকেট মমল য়াম্মী অমসুং লম্বীশিংদি লোইনা থিংদুনা লৈবনা এক্যুজশিংনা শরুক য়াবদা খুদোংচাদবা ওইগনি হায়খি।

অদুগা কুকি ফূরুপকী মীওই অমনা ঐহাক্তি উ শূবনি, লম্বীশিংসু মিলিটেন্টশিংনা লোইনা থিংলে। হৌজিক ঐহাক কষ্টদিদা লৈবা নত্তে, বেলদা লৈবনি অমসুং কুকি ফূরুপকী মীওইনি হায়দুনা ফাওবা ফোঙদোকখি হায়রি। অদুম ওইনমক সুপ্রিম কোর্টনা কেস ৮ অসিবু ট্রান্সফর তৌবদা অয়াবা পীখি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১১দা বোরোবেক্রাদা য়ূম কয়া মৈ থাদুনা মীওই ২ হাৎখিবা অদুগা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩ য়াওনা মীওই ৬ ফারগা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা লৌখৎপা য়াওনা জিরিবামদা হন্দক থোকখিবা থৌদোক অহুমগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেস অহুম থা অসিগী ১৩দা হোম মিনিষ্ট্রিনা লৌবা ৱারেপকী মতুংইন্না এন আই এনা লৌশিন্দুনা অনৌবা কেস ৩ রেজিষ্টর তৌরে।

কেসশিং অসিগী মনুংদা মীওই ৬ ফারগা হাৎখিবগী মতাংদনা এন আই এনা রেগ্যুলর কেস নম্বর ১৫/২০২৪/এন আই এ/ইম্ফালবু তোঙান তোঙানবা বি এন এস অমসুং আর্মস এক্টকী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

জিরিবামদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা থা অসিগী ৭তা জাইরোলপোকপীদগী চহী ৩১ খক্তা ঙাইহিরিবী জে ৱাসাংকিম (৩১) মপুরোইবা ঙুরথানশাংবু ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লগা মহাক্কী ময়ূম মক্তদা মৈ থাদুনা হাৎখিবগী কেসসু য়াওবগা লোয়ননা জকুরাধোর কারোং অমসুং বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেশনদা মিলিটেন্টশিংগা খূৎ থোক্লখিবগী মতাংদা লৌখৎপা কেসসু এন আই এনা লৌশিন্দুনা ইনভেষ্টিগেশন চথবা হৌরে হায়রি।

থা অসিগী ২১ অমসুং ২২দসু এন আই এগী টিমশিংনা থৌদোক থোকফমশিং য়েংশিল্লুবগা লোয়ননা হৌজিক কেসশিং অসিগী দোক্যুমেন্টশিং পুলিসতগী এন আই এদা খূৎশিন্নবগী থবক চথরি হায়রি।

## খোঙয়াগী উফুলদৌনা থল্লকপদগী ঙসিগী ফীভমসি ওইরকপনি...

*লমায় ১গী মখা...*ঐখোয়গী লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমদি লুচিংবশিংগী মচিলদগী করিমত্তা কাঙথোকখিদবা অমসুং কাঙথোকহন্দবসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি। লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অশানবা মীৎয়েং য়েংদনা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবা, তুংগী লম্বীদা অমদি মীরোলগী থল্লগা লুচিংদুনা থবক তৌদবনা ঙসিদি লৈখা তারবা খুন্নাই অমা ওইহল্লে। লৈঙাকসিনা থবক তৌদবনা মীয়াম, ইমা-ইবেলশিংনা লৈবাক কন্দুনা লাক্লিবনি অদুবু ঙসিদি ইমাশিংগী মরক্তা তোঙানবা অমদা উবগী মমি লাক্লে। ঐখোয়না চৎকদবা লম্বী ইমাশিংনা তাকপীয়ু। লান অসিগী মায়ওন চুল্লক্তবা ওইনা উরক্লে। মায়ওন চুম্না চঙশিন্নবা হোৎনসি হায়খি।

মণিপুরদা কাং-খোং চাইরবা খুন্নাই অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী চাউরবা পোলিসি অমদা তাওরগা চৎলি। ঐখোয়না লৌগদৌরিবা থৌদাং অমদি রেস্পোন্সিবিলিটি করিনো খঙবা চঙই। ঐখোয় নীংতম্না লৈরম্মী হায়বসি পুৱারীনা তাক্লিবনি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবরদা ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুংদা ঐখোয়গীদমক করম্বা থৌদাং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লৌরক্লি হায়বসি নৈনগদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবী অমকিলগী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ঙানবীনা হায়, হৌজিক মণিপুরগী ফীভম লুরে। লৈঙাক্না তৌনীংবতা তৌবদা মীয়ামগী ৱা তাদবনা মরম ওইরগা খম থেংনা ৱারে। পূন্সি তেমশিংনরকপনা অঙাং য়াওনা নুপী অহুম পূন্না মীওই তরুক হাৎখ্রে। চহী ৮ খক্তা ঙাইহিরিবী নুপীমচা অদুগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী খুদম চাংদম ফংবগা লোয়ননা চহী নৌরিবী নুপীমচা অদুগী হকচাংগী শরূশিং তেক্লম্বা অদুদি অদুক্কী মতিক খাঙবা ঙমদনা ওৎলগা হাৎপনি হায়বদু তাকপনি। লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবদা করিমত্তা তাদনা লৈরকপনা ঐখোয়গী পূন্সি মাঙগদবা ওইরবদি হান্না লৈজরম্বা ফীভম অদুদা লৈজরগে হায়রকপা মশানা তাবনি। তোঙান্না হিংনীংবগী ৱাখল্লোন লাক্লিবসি ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্না থৌ-ৱা শাদবা অমসুং মীনুংশি খঙদবগী মীৎয়েং য়েংলকপদগীনি হায়খি।

মণিপুর মাঙহন্নবা হোৎনবদা সূ তৌনরিবা কুকিশিং শীজিন্নরগা মীতৈ অমদি চিন-কুকি নত্তবশিং মাঙহন্নবা হোৎনবনি। নুপী অঙাং হাৎলকপদা লৈঙাক অনীনা য়েংদুনা লৈরল্লিবসি মমা ওইবীশিংনা নুংঙাইতে। মরম অসিনা মমাশিংনা চপ চানা থেংননবা লেপ্লে হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবী নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট থোকচোম ওংবী রমনিনা হায়, ঐখোয়গী হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিগা মমাঙঙৈগো মান্নদ্রে। বৃটিশকী মতমদা লান শোক্লখিবদা নুপী অঙাংশিং তাম্থোক্লগা থৈদোক্তুনা থল্লগা মখোয় মশেল লান শোক্লবনি। নুপী অঙাং শোকখিদে। হৌজিক্লা থিঙেলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোংদা তাইনৈ হায়বগুম্না নুপী অঙাংশিং হাৎলি। থৌওং অসি চথরগা লান ঙম্বা শক্কদৌরিব্রা হংলদুনা এম এল এ-মিনিষ্টরশিংনা মীয়াম্থু করম্না কনসিগে হায়না তান্নদ্রিবা করিগীনো। অথুবা মতমদা লান অসি লোইশিল্লু অমসুং মণিপুরদগী মীহাৎপশিং তাম্থোকখিগদবনি হায়খি।

তম্মী চীংমীগী প্রসিদেন্ট য়াম্বেম মোমোন লৈমনা হায়, থা ১৯ ফাবা লানসিদা মীতৈদা লান্দারকপা কুকিশিংগী মীচং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না চঙদুনা লৈরে। মণিপুরবু অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৯দা ইনিংথৌ বোধচন্দ্রদগী নল্লৌ লৌখিবনি। হৌজিক্তি ঐখোয় কনামত্তগী মচুম চাবা পামদ্রে। রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরল্লিবা অঙাং য়াওনা মীওই ৬ হাৎখিবা মীওইশিং মণিপুরগী লৈমায়দগী তাম্থোকপীখ্রো। এম এল এ পাওলিয়নলাল হাওকিপনা লমন খুন্থনি হায়রকখিবা ৱাফম অদুগীদমক মহাকপুসু চৈরাক পীগদবনি হায়খি।

HL-P/1367/4-30/1-29/31 Dec.

### ফজরে : স্কুল...

*লমায় ১গী মখা...* (হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেশন) না ঙসি থোরকপা চেরোল অমদসু হান্নদগী থিংজিন্দুনা থল্লক্লিবা কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিং য়াওনা হয়েংদগী হৌরদুনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লিবা মফমশিংদা লৈবা মহৈশঙশিং মখা তাবা ওর্দর অমা থোরক্ত্রিবা ফাওবা থিংজিল্লগনি হায়রি।

### অসাম লৈঙাক্কী ...

*লমায় ১গী মখা...* মওংদা কর্বি হিলসতা এনক্রোচ তৌশিল্লক্লে। মরম অসিনা খুদক্তা ইল্লিগেল সেট্টলমেন্ট তৌশিল্লক্লিবশিং অসি তকথোক্কদবনি । অদুগা মণিপুরদা অনৌবা ভাইওলেন্স থোকচিল্লকপনা অসামগী কর্বি অংলোংদা মণিপুরদগী মীওইশিং পাক্তক্লনা চঙশিল্লকপা য়াবগী অকিবসু লৈরে হায়রি।

### চহী ১১২ শুদুনা...

*লমায় ১গী মখা...* নোর্থ ৱেষ্ট ইংলেন্দগী সাউথ পোর্টতা লৈবা ক্যের হোম অমদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈখিদ্রে হায়দুনা মহাক্কী ইমুংনা গিনিস ৱর্ল্ড রেকোর্দতা পীশিনখিবা চেরোল অমনা হায়রি।

লৈখিদ্রবা মহাক কুমজা ১৯১২গী ওগষ্টতা লিভরপুলদা পোকখিবনি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও চথরিঙৈ কুমজা ১৯৪২দা মহাক হৌজিক্না লৈখিদ্রবা মহাক্কী লোয়নবী ব্লোদৱেনগা লুহোংদুনা য়ূম্বান পূন্সিদা খোঙদারকখিবনি। মহাক রোয়েল আর্মি পে কোরদসু থবক তৌরমখি। মহাক্কী লোয়নবীনা হৌখিবা কুমজা ১৯৮৬তা লৈখিদবনি। মহাক্না চহী ১০০দগী ১১০ শুরকপা ফাওবদা মহাক্না চহী ১৪ হনখিবা লৈখিদ্রবী ক্লিন ইলিজ ৱেথতগী চহী খুদিংগী বর্থদেগী কার্দশিং ফংখি হায়রি।

**‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

### HL Poll

Q : Manipurgi tamthiraba Lan loisindriba faoba meecham singna meeshi meena mayoknarakhigani haibada langadra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Union leingakna athuba matamda Manipurgi phibam laksindrabadi Parliament meephamda makha tana charangnakhigadra?

Yes 75% No 25%

## ঙসিদগী ষ্টেট ১সুং সেন্ত্রেল...

*লমায় ১গী মখা...*অসিদা লৈরিবা সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেটকী লোয়শঙ পূম্নমক নুমিৎ নীনিগী শটদাউন তৌরগনি হায়না কোকোমিগী কনভিনর সোমোরেন্দ্রো থোকচোমনা লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লম্ফেলদা লৈবা কোকোমিগী লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লাউথোক্লদুনা মহাক্না হায়, নুমিৎ নীনি চূপ্পা লোয়শঙ পূম্নমক থিংজিনগদৌরিবনিনা এমপ্লোয়ীশিং ওফিস কাবীরক্লগনু অদুগা ওফিসশিংগা নক্লনা লৈবা লৈকায়গী মীয়াম্নসু খোঙজং অসিদা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

লৈঙাক্না মীয়ামগা চৎমিন্নগনি হায়খিবা অদুগী থবক থৌরমশিংসু মীয়ামদা খঙহল্লু হায়বগা লোয়ননা কুকিগী মিনিষ্টর ২ অথুবা মতমদা লৌথোক্কদবনি। লৌথোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর লৈঙাক্তা থমখিবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা এম এল এশিংনা ফিরেপ অমা লৌদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়বদা নুমিৎ ৭নিগী মতম ঙাইবীয়ু হায়রকখিবনি। ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা অফস্পা লৌথোকপা, কুকি মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা মাস ওপরেশন চথবা, লৈখিদ্রবা নুপী অঙাং হাৎপশিং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা খঙহনবা অমদি এন আই এদা শিন্নবগী ৱাফম য়াওখিবনি, ঙমদ্রগাদি মণিপুরগী মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না লৈঙাক্না মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিনগনি হায়খিবনি। অদুবু নুমিৎ ৭নি ঙাইরক্লবসু লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোরক্ত্রে। অসিগুম্বা শাথীরবা থৌদোক-ৱাথোক, মীশি-মীনা থোরক্লবা অচৌবা খুজিল থৌরাং অমা ওইনা লৈঙাক্না মীতৈশিংগী মথক্তা প্রোক্সি ৱার চথবদা মকোক ওইরিবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহসু লান অসি লোইদ্রিবা ফাওবা মণিপুরগী মীয়ামগা খূৎশম্নরগা ঙসিদগী বোইকোট তৌরে হায়খি।

হৌজিক নুমিৎ ৭নিগী মতম পীখ্রবা মতুংদা এম এল এ ২৬না খূৎয়েক পীখিবা, এম এল এ ৮না অয়াবা পীখিদবা অমসুং এম এল এ ১১ লাকখিদবা এন দি এগী লৈঙাক্লি হায়রিবসিনা য়ানখিবা মতমগী মনুংদা থবক ওইনা পাঙথোক্তুননিনা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেলগী লোয়শঙশিং থিংজিনবগী ৱারেপ লৌরকপনি। অদুম ওইনমক খোঙজং অসিনা ইসেন্সিএল সর্ভিস অমদি এদ্যুকেশন সেক্টরগীদি কোমথোক্কনি। দিমান্দ অসিগী মথক্তা মীয়াম্না তান্দুনা লাক্লবা কুকিগী মিনিষ্টর ২ অথুবা মতমদা লৌথোক্ত্রবদি মখল কয়াগী অকনবা খোঙজং মণিপুর মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা চঙশিল্লগনি হায়নসু লাউথোকখি।

কোকোমিগী মখা তাবা খোঙজং নুমিৎ নীনিগী মতুংদা লাউথোক্কনি হায়খি।

## প্রিপাককী চ্যেরমেন ইবোতোম্বী...

*লমায় ১গী মখা...*অমনা মখা তানা হায়, অহল ইবুংঙো ওজা মচা ইরৈবাক অসিগী নীংতম লালহৌগীদমক য়াম্না অঙনবা মতমদগী হৌদুনা লৈবাক্কী থবক তৌরকখি। ওজা অসিনা নীংতম লালহৌগীদমক ইরৈবাক্কী থৌদাং লৌবদা কুমজা ১৯৬৯দা মতমদুগী ইষ্ট পাকিস্তান (হৌজিক্লা বাংলাদেশ) গী জেলদা লৈখি। তুংদা ইন্দিয়াদা অমুক পুরক্তুনা কুমজা ১৯৭২ ফাওবা ইন্দিয়াগী কৈশুমশঙদা লৈখিবা লোইলম লৈঙাক্কী অওৎ-অনৈ কয়া হকথেংননা মায়োক্লরকখিবা য়াওলগী লুচিংবা অমনি। খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লরবসু কৈশুমশঙদগী অমুক থোরক্লবা তুংদা অকিবা লৈতনা অনৌবা থৌনা অমগা লোয়ননা ইরৈবাক অমসুং লূপকীদমক অৱা অনা থিদনা অমসুং চোকথবা নাইদনা য়াওলগী থৌদাং পাংনবা হোৎনখি। য়াওল্লোইবশিংবু লেপ্পা লৈতনা তাকপী তম্বীদুনা লমজিং পীবিখিবা অমসুং মীয়াম্বু নীংতম লালহৌগী ইথিল পীখিবা কখোকপগী লোইবা নাইদবা রেভল্যুস্নরি লিদর অমসুনি। অসিগুম্বা অতাঙবা লুচিংবা অমা লৈখিদবা অসিনা প্রিপাক খক্তা নত্তনা ৱেসিয়া লমদমগী লিবরেশন মুভমেন্টদা মেনশিনবদা ৱারগদা অচৌবা অহোবা অমা হাঙদুনা লৈহৌরগনি।

লুচিংবা অসিগী মতিক ময়াই খরদং শীংথাজরবদা হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা, ৱারেপ অমা লৌবদা য়াম্না থিজিল্লবা তুংদা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা লৌবা অমদি মীয়ামগী ৱা তাবীবা, দেমোক্রেটিক ভেল্যুবু ইকায়খুম্নবা, মরোয়-মনাওশিংবু তাশিন খোমজিনবা ঙম্বা লুচিংবা অমনি। লুচিংবা অসিনা লৈখিদবদা অৱা মৈচাক নংহৌরিবা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং পূম্নমক্কী মফমদা লালহৌলূপ অসিনা থম্মোয় শোক্লা শরুক য়াজরি অমসুং লুচিংবা অসিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা ইরৈবাক্কী লৈশাদা তিন্দুনা ঈংনা চিক্লা লৈতাবা ওইরসনু অমসুং লুচিংবা অসিনা পামজরম্বা ৱাখল্লোনশিং অদুনা য়াওলগী লমজিং মৈরা ওইরসনু হায়রি।

ꯁꯤꯟꯅꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯈꯨꯠꯁꯨꯃꯜ ꯄꯤꯊꯣꯛꯄꯤꯌꯨ

**শিন্নীশিংগী খুৎশুমল পীথোকপীয়ু**

মণিপুর লৈঙাক্কী পৱার দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা কম্পনি অনী MSPCL/MSPDCL শিন্নীশিংগী ২০২৪ ওক্টোবর থাগী খুৎশুমল হৌজিক ফাওবা পীথোক্তনা লৈরিবা অসি নবেম্বর থাগীগা পুন্না দিসেম্বর থাগী তাং ৫ ফাওবগী মনুংদা পীথোকপীয়ু হায়না মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোইয়ি য়ুনিয়ন MEEU গী মাইকৈদগী মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌজরি।

ষ্টেট অসিদা 24X7 পৱার সপ্লাই পীনবা ইরাং মরকসিদা অৱা-অনা থিদনা হোৎনজরিবা শিন্নীশিংবু থওইবীদবা, হন্থনা য়েংবিবা মানবা মওং অসি নুংঙাইজদে। মথং চহী হায়বদি ২০২৫দগীদি থা খুদিংগী তাং ১০ ফাওবগী মনুংদা তলব পীথোকপীয়ু।

মথক্তা পঞ্জরিবা দাবী অসি থবক ওইনা পাংথোকপীরক্তবা তারগদি MEEU না থবক লেপ্পনচিংবা মখল কয়াগী অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না চেকশিন ৱা থমজরি।

Sd/-
**O. Sanajaoba Singh**
Publicity Secy. MEEU

HL-P/1817/27

**EXCELLENT SPEECH THERAPY AND HEARING SOLUTION (CLINIC)**

**Regd. No. :- IMC/227)22)/22**

**লায়েংজরি**

**ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ**

**না তাদবা অমসুং লোল থোক্তবশিংগীদমক লায়েংজরি**

- না তাবা ৱাৎপদগী ৱা ঙাংবা ঙমদবা।
- লোল ঙাংবদা শেংদবা, থিন্থবা অমসুং থোক্তবা।
- ৱাখল শোনবা, বুধি ৱাৎপা।
- ৱাহৈ মপূং ফানা হায়দোকপা ঙমদবা।

***Also Available*** **:**

**Affordable price hearing aid & battery with low price free trial*

****Contact : 8415821311, 9383275788 (9:00 a.m. to 6:00 p.m.)***

Sd/- **Manager**,
Excellent Speech Therapy and Hearing Solution
Hatta Mana Ingkhol, (Public Hospital) opposite

HL-P/1367/4-30/1-29/31 Dec.